# 2000
# MANIPUR
## ( *MODERN INDIAN LANGUAGE*)

Full Marks - 100
Pass Marks - 33

Times : Three Hours

নশাগী ৱাহৈ ৱাতা শীজিন্নদুনা পারগা মরী লৈনবা পাউখুমশিং পীগদবনি।
য়েৎথংৱা চেবান্দা পীরিবা অঙ্ক ময়েকশিং পাউখুমগী নম্বরনি ।

[ৱাহং ১ দগী ৬ ফাওবগী পাউখুমদি চুম্মী নম্রগা লাল্লি হায়না ইয়ু ]

১। নুংপাকশিংদা হক্লিবা ময়েকশিং অদু ঈশিংগী ঈপোমনা মুথৎলি হায়না 'স্মৃতি' শৈরেংদা উৎলি। ১

২। লম্বীগী উপুলনা তাইবঙ মীওইবদগী লাপ্পা লৈনিংঙি। ১

৩। মীগী মশেল পুরগা হাউনা চাথোকউ হায়বসি চর্ব্বাক মুনিগী মোৎনি। ১

৪। 'নীল দর্পন' দীনবন্ধু মিত্রনা ইবা উপন্যাস অমনি। ১

৫। 'মী'+ 'লমলেন' হায়বা ৱাহৈ অনী অসি পুনশিল্লগা 'মীরমলেন' হায়না হায়দোকপগী মরমদি 'ল' গী মমাংদা ভাৱল খোন্থোক লৈবননি। ১

৬। কেরানীনা ওফিসারদা হায় - "ফাইল অদু থাখ্রবনি।" ১

[ৱাহং ৭ দগী ২০ ফাওবগী পাউখুমদি য়াম্না তেন্না ৱাহৈ পরেং অমা নত্রগা অনীদা পীয়ু]

৭। ‘মৈতৈ কবি’ শৈরেংদা কবিনা নারক্তা শাৎপা লৈরাংগা চাংদম্নরিবসি করিবুনো ? ১

৮। নাইতোম্ তাবা যাত্রীনা চৎমিন্নসি হৌরুবদা চান্নবনা করি তৌরক্কনি ? ১

৯। ‘পঞ্চভুত’ হায়বসি করি করিনো ? ১

১০। গৌতম বুদ্ধগী মরু ওইবা পাউজেল করিনো ? ১

১১। ‘স্মৃতি’ শৈরেংদা কবিনা হায়নিংলিবা মরুওইবা ৱাফম করিনো ? ১

১২। করি মরমগী কোকিলগী শকফম, অমদি খোজেল উরিরৈগী থোপ্তা চঙখ্রিবনো ? ১

১৩। কলাগী মগুন্দি কদায়দা লৈ হায়না শুত্রাচার্যনা হয়রম্বগে ? ১

১৪। মঙলৈবাককী লাইরেম্বী ওইরম্বদ্গী করম্বা মতমদা অমুক নুপীবু রিভেলুত্রসন তৌবগে?

১৫। তোংব্রাগী ড্রামাশিংদা নীলকান্তনা উবা অশোনবা অমতং ইয়ু । ১

১৬। মরৈবাক নীংবা ফজবা ৱাখল ফোঙদোকপা মনিপুরী ড্রামা অমগী মমিং অমদি মদুগী অইবা মশক তাকউ । ১

১৭। মনিপুরী লোন্দা নেগেতিপ্ মার্কর অমা ওইনা - ‘তে’ গী শীজিন্নফম তাকউ । ১

১৮। ‘রি,’ ‘লি’ হায়বা প্রজেন্টকী টেন্সকী মার্কর অসি পাস্ট কন্টিন্যুঅস্ টেন্সকী মার্কর অসি পাস্ট কন্টিন্যুঅস্ টেন্সতা করম্না ওনগনি ? ১

১৯। ‘ঐ উরে ।’ ‘নহাক্ লাক্লে’ হায়বা ৱাহৈ পরেং অনী অসি ৱাহৈ পরেং অমতদা পুনশিল্লগা ইয়ু । ১

২০। মনিপুরীদা এডভর্ব ফ্রেজ য়াওবা ৱাহৈ পরেং অমা শেম্মু । ১

[ৱাহং ২১ দগী ২৯ ফাওবগী পাউখুমদি তেন্তক্না ৱাহৈ পরেং ৫।৬ কী মনুংদা পীয়ু]

২১। “পাতাল তান্না পুঙম্বা পুন্য চেল্লবা ভগীরথ
ভারত নঙগী নচানি, ভাগীরথীনা সাক্ষীনি ।”

-ভগীরথ কনানো ? মহাক্না করিবু পাতাল তান্না পুরিবনো ? ভগীরথ গা,ভাগীরথী-গা খেন্নবা তাকউ । ১+১+২=৪

২২। “হোত্নরি সভ্যতা শেমগৎপা সভ্যতাগী ওন্নতৈনবা ৱাখল থমোয়দা কোন্দুনা ।”

- ‘সভ্যতাগী ওন্নতৈনবা ৱাখল’ হায়বসি করিনো ? করম্বা মীওইদা মসি চেনবগে ?    ২+২= ৪

২৩। “নুংদা ইবা ঐখোয়না নোক্লা নোক্লা লৈহৌনি”

- ‘নুংদা ইবা ঐখোয়’ হায়বসিনা করিবু খঙনহনবগে ?

মখোয়না করি মরমগীদমক্ নোক্লা নোক্লা লৈহৌগদৌরিবনো ?    ১+৩=৪

২৪। ‘ঙাইখোগবা চেক্লাও’ হায়বা শৈরেংগী অরোয়বা শরুক্তা কবিনা চেক্লাদা করি হায়খিবগে ?    ৪

২৫। ভারতকী সাহিত্যদা ‘বিদ্রোহী কবি’ হায়রগা কনাবু খঙনবগে ?

মহাকপু বিদ্রোদী হায়রগা খঙনবগী মরম তাকউ ।    ১+৩=৪

২৬। রবীন্দ্রনাথ ঠাকুরবু অচৌবা হ্যুমেনিষ্ট অমনি হায়বগী মরম্ পীয়ু ।    ৪

২৭। ক্লোজ কদায়বু কৌবগে ? মসিগা ফ্রেজগা করি খেন্নবগে ?    ২+২=৪

২৮। অমখক্ খল্লগা পান্থে - পাউরৌ অদুগী নুংগী ওইবা ভাবতু খুদমগা কোন্ননা শন্দো-ক্লা তাক্উ ।    ৫

(ক) খুরক্কী ঈনা লাই শাবা ।

(খ) উ লৈতবা মফমদা কেগেনা য়ুম্বী ওইবা ।

২৯। মখাগী ৱারেং মতেক্ অসিগী ৱা মচং ইরগা চানবা মিংথোল অমা পীয়ু ঃ

৪+১=৫

শারম থোকপা থবক্তা মীগা মীগা খৎনৈ, লাইরম থোকপা থবক্তা মীগা মীগা নুংশিনৈ । মশাগী ওইজবা থিবা মী অনীনা কৈদৌঙৈদসু কুইনা তিন্নবা য়াদে , অদুগা লাই নিংমিন্নবা অমসুং অচুম্বা থিমিন্নবা মী অনীদি য়াম্না নুংশিনৈ,অমগীদমক অমনা থৱায় ফাওবা থাবা ঙম্বা নুংশিনৈ । সংসারসিদা অৱা অনা ময়াম লৈরিবা অসি মীগী শা অসিনা পুথোক্তুনা শেম্বা ঙাক্তনি । অফ-নুংঙাইবা চাওখৎপা ফিদম ময়াম অসিনা মীগী লাইনা শেম্বনি । মসি নীংবা কায়বগী ৱা নতে । মীওইবনা

মশানা অৰা - অনং কয়া অমা শেমজরবসু ময়ামদু নমথৎলক্তুনা অদুমক্ চাওখৎ-লক্লবা অমসুং মপুংফানা লাই ওইননবা অদুম হোৎনরকই ।অদুগা শা উচেকশিং-না মশানসু থোইনা অৰা অনংদি শেমজদ্রে , প্রকৃতিনসু থোইনা অৰাবা পীদেদি হা-য়ববু অদুম শা ওইনা লৈ ; ফগৎলকপা চাওখৎলকপা হায়বা লৈতে । থাইনগী চহী লীশিং কয়াগী মমাঙদা লৈরম্বা শন্ অদু হৌজিক্কী শনদু অদুম ওইরি ; খনগৎ-পদা তাহৌবা ফিভমদা অদুম ইহোং হোংদনা লৈরি ।

[ৰাহং ৩০ অমসুং ৩১ গী পাউখুমদি য়াওফম, মরী-মখোঙ্ শন্দোক্লা তাকফম থো-কপশিংদু তাক্তুনা পীগদবনি]

৩০। মদুগীদি কপ্লোই নোক্তমক নোকচগে
ঐগীতা ওইরিবা নঙবু ফংদ্রগা কপচগে । ৭

নত্রগা

পৃথ্বী পুম্বা জয় তৌদুনসু
মীওইবগী থম্মোয়দা লৈরিবা
তমথীবগী ৰাখলসিমদি
ঙমদ্রি মুথৎপা ঙসি ফাওবা ৭

৩১। কলা হায়বসি য়াম্না চীলহাও থিগনবা মহৈনি । মাগী রসসু য়াম্না কুপ্পী । মকুমখৈ হুন্দোক্লগা কলানা মতোং অদুদা লৌখৎপা পাম্মী । ৭

নত্রগা

চুম্না নোকহনবদা নতে, খন্থহনবনি। খন্থহনবদসু নতে, মদুগী মতুংইন্না থবক্ পায়-খৎহনবনি । হায়বদি সমাজ সংস্কার তৌনবা তম্বীবনি । ৭

৩২। ‘নাইতোম্ তাবা যাত্রী’ গী ৰা-মচং ইরগা মসিদা কবিনা ফোঙদোক্লিংলিবা মরুওই-বা ৰাফম্ করিনো হায়বদু শন্দোক্লা তাক্উ । ৭

৩৩। ‘লম্বীগী উফুল’ শৈরেংদা উফুলনা ফোঙদোক্লিবা অপাম্বশিং অদু শন্দোক্লা তাকউ। ৭

৩৪। কলাগা পুন্সিগা লৈনবা মরী শন্দোক্লা তাকউ । ৭

৩৫। ‘অদুবু মনিপুরদা নিপা অমা লৈরম্মী । মহাক্কী থম্মোয়না তোল্ল-তারবা, লায়রবা লৌমী-শিন্মী, মীচম প্রজাবু তশেংনা নুংশিবা ঙমখি ।’

–নিপা অসি কনানো ? মহাক্না প্রজাগীদমক্তা করি করি তৌরম্বগে হায়বদু শন্দোক্লা তাকউ । ৭

# MANIPURI (MIL)

## Scoring Key / Outline Answer And Marking Schemes

| | | |
|---|---|---|
| ১। | লাল্লি । | ১ |
| ২। | লাল্লি । | ১ |
| ৩। | চুন্মী । | ১ |
| ৪। | লাল্লি । | ১ |
| ৫। | চুন্মী । | ১ |
| ৬। | লাল্লি । | ১ |
| ৭। | মনিপুর সনা লৈবাকপুনি । | ১ |
| ৮। | পীসুম শুক্লক্কনি । | ১ |
| ৯। | মৈ, ঈশিং, নুংশিৎ , অতিয়া, লৈবাক । | ১ |
| ১০। | অহিংসা । | ১ |
| ১১। | মিংচৎতি মাঙদে । মাঙবা নাইদে । | ১ |
| ১২। | মপুক্লিংদা হন্না হন্না খনবা মরমদগী । | ১ |
| ১৩। | আধ্যাতিমক্ মমলদা । | ১ |
| ১৪। | তাইবঙগী খোঙলোয় (মী) ওইরকপদা নত্রগা য়ুম পাল্লকপদা । | ১ |
| ১৫। | চরিত্রগী অন্তকন্দদা (নুংগী লান্দা) য়েংশিন্দবা প্লোটতা য়েংশিন্দবা । | ১ |
| ১৬। | লাইরেনময়ুম ইবুংঙোহলনা ইবা "নরসিংহ"। | ১ |
| ১৭। | খৌ নীত্তবা কোন্সনন্টকী মওংদা । | ১ |
| ১৮। | ভাৱলনা লোম্বা ভর্ব রুটতা "রম্নি" হাপ্লগা । কোনসনন্টকীনা "লম্নি"। | ১ |

১৯। নহাক লাক্লে হায়বসি ঐ উরে । ঐ উরে মদুদি মহাক লাক্লে । ১

২০। মহাক্লা লাকপা মতমদা গারী থুংলরে । ১

২১। (i) সগরবংশগী নিংথৌনি । (ii) গঙ্গাবুনি (iii) ভগীরতনা মীনি, নিংথৌনি, ভাগীরথীনা গঙ্গাবুনি । গঙ্গাগী অতোপ্পা মমিং অমনি । ১+১+২=৪

২২। (i) চাওখৎপদি শারগা চাওখৎতবা মীওইশিংগী ফতবা ৱাখলবুনি। মপান্দা অফবা শাজিন্নরগা মনুংদা অরানবা, চুমদবা ঙাক্তা তৌবা কয়া অদুবুনি ।

(ii) মশাগী ওইজবা তানবা মীওইশিংদা অসিগুম্বা ৱাখল অসি চেল্লি ।

২+২=৪

২৩। (i) অচৌবা মীওইশিংনা তৌরম্বা অফবা থবক্ কয়া অদুবুনি ।

(ii) মখোয়দি মতমগী ঈচেলনা মুথৎপা ঙমদে । অমরনি, অশুম্মক লেংদনা লৈহৌগদবনি । ১+৩=৪

২৪। কবিনা চেক্লা অদুগী মতুং ইন্জনিংবনি অদুবু মশা পান্দবনা ঙমদে । মদুনা মাবু খরা পুবিদুনা তাইবংপানবা অসি উহনবিয়ু হায়জখি । ৪

২৫। (i) কাজি নজরুল ইশ্লামবু খঙনৈ । (ii) মহাক্কী পাউজেলদি নীংতম্বগীদমক্তা অকিবা লৈতনা য়েক্লবগা মাইয়োক য়াগদবনি হায়বা অসিনি । বৃটিশকী মাইয়োক্তা শৈরেং কয়া ইখিবা কবিনি । ইং ১৯২২ দা ফোঙবা 'খুমকেতু' হায়বা মেগাজিন অসিনা অচৌবা থৌদাং অমশু লৌখি । মরমশিং অসিদগী মহাকপু বিদ্রোহী হায়না খঙনবনি । ৪

২৬। রবীন্দ্রনাথ ঠাকুর মীওইবগীদমক্তা অচৌবা সেবা তৌখিবা মীওই অমনি । মীবু মীওইনা খনবগী ৱাখল ( মানবতাবাদ ) চেনবা কবি অসিনা ৱারেং শৈরেং, নাটকনচিংবা ইবদা নত্রনা শিক্ষাগী লমদা অনৌবা ৱাখল্লোন পুথোক্তুনা মীওইবগী বুধিলৌশিং চাওখৎনবা হোৎনখি ।লোয়ন্না খুঙ্গংগী সেবাদসু মথৱায় লুপখি ।জালিয়ানৱালাবাগকী থৌদোকপু নিন্দা তৌদুনা বৃটিশ সরকারনা পীবা "নাইটহুদ" লৌখিদবা তশেংনা হ্যুমেনিষ্ট অমা ওইবগী ফিরেপনি । ৪

২৭। (i) ৱাহৈপরেং অমগী মনুংচন্না সবজেক্ত অমদি ভার্ব য়াওবা ৱাহৈ পরেং মচাশিংবু ক্লোজ কৌই ।

(ii) ক্লোজদা সবজেক্ত অমদি ভার্ব য়াওগনি অদুগা ফ্রেজদদি অমা ৱাৎকনি নত্রগা অনিমক য়াওদবসু য়াই । ২+২=৪

২৮। (ক) খুরক্কী ঈনা লাই শাবা হায়বগী অর্থদি ঐগী ওইবা মীনা ঐগী মাঙনবা তৌবা হায়বনি । (শন্দোক্লা তাক্কনি )

(খ) অখঙবা মী লৈত্রবদি খর খঙবনা অখঙবা অদুম ওই । মীওইবশিংগী মরক্তা মনা পঙবনা নিংথৌ ওই হায়বগুম্বনি ।(শন্দোক্লা তাক্কনি) ৫

২৯। শারমচৎতগীদি লাইরমচৎনা হেন্না ফৈ তাকপনি । মিংথোলদি অকক্লবা লৈতে । "লাইরমচৎ" হায়না থোনবদা কায়দে ।(ছাত্রশিংনা থোন্নিংবা থোনসনু কয়াম নকশিন্নবা নত্রগা চুশিন্নবা হায়বদু য়েংবিয়ু) ৪+১=৫

৩০। লীলা শৈরেংদগীনি । মরুপ-মপাং, শাগৈ-নাতৈ, ইমুং-মনুং কায়নবদা ৱাবা তৌজরোই , ঈশ্বরগা কায়নবদি ৱাজগে হায়না তাকপনি । ২+৪+১=৭

নত্রগা

"সভ্যতাগী ফুম" শৈরেংদগীনি । মীওইবনা ফনমক্ চাওখৎলবসু তমথিবা পুকচেলদি থাদোকপা ঙমদ্রি হায়না কবিনা নুংনাংবা ফোঙদোকপনি ।

৩১। "কলা অমসুং পুন্সি" হায়বা ৱারেংদগীনি । কলাগী অকুপ্পা অমদি অরুবা মশক্ অদু তাকপনি । ২+৪+১=৭

নত্রগা

"জি সি তোংব্রা" কৌবা ৱারেংদগীনি । তোংব্রানা ভাবোকপু নোকহল্লিবসি চুম্নগী নোকহনবদা নত্রগা খন্থহন্নবা অমদি সাহিত্যনা সমাজ সংস্কারগী নাট পায়খৎহন্নবনি হায়বনি । ২+৪+১=৭

৩২। মীওইবগী পুন্সি খোঙচৎ অসি মতোমতা চৎকনি কনাগসু লোয়নবা নতে । খোঙচৎ অসি অৱা-অনানা থনবা পংনুং নুংঙাইবা নতে । লম্বীদা য়েক্লবা কয়াগা থৌনা

ফনা মাইয়োক্নবা তাই ।অনিংবা অমা মাঙদা থল্লগা মদু ফংনবা হোৎনবনা পুন্সিগী মীৎয়েং অমদি পান্দম্ ওইগদবনি । থৌনাফবা হায়বসিমদি থাদোকপা য়াদ্রে । মসিনা তুংগী মীরোলদা লম্বী তাকপা ঙমগনি । ৭

৩৩। লম্বীগী উফুলনা তাইবঙ মীওইবগা ইরোয়ন্না লৈনিংই । মহাক্কী খুয়া উফুলবু মকোক্তা থোঙনিংই । মীওইবনদি মসিবু থৌশাদে । ৭

৩৪। কলানা পুন্সি শেন্মী, পুন্সিনা কলাবু য়োকখৎলি । কৎথোকপগী কলানা বুদ্ধ, গান্ধিনচিংবা মীশক কয়া মহত্মা ওইখি । থবক অমা তৌবদা হৈ শিংবা চংই । মদুশু কলা অমনি । হিংবা অসিমক্তদা হিংবগী কলা (Art of Living) হায়দুনা চৎলিবনি । তশেংনমক পুন্সিগা কলাগা থাদোক্নবা য়াদে । ৭

৩৫। (i) হিজম ইরাবোৎনি (ii) লৌমী শিন্মী কয়াদা মরৈবাক নীংবগী ৱাখল পোকহনখিবা পুকচেল শেংনা হিংবগী মহাও খঙহনখিবা মীওৎ-মীনৈ কয়াবু থৌনাফনা থেংনখিবা কয়া পনবা য়াই ।